# হাউস ওফ কম্মন্সতা বৃটিশ এম পিশিংনা ভোট অমখক হেন্দুনা ব্রেক্সিট থেংথহনবগী বিল শৌগৎখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম লৈহন্দনবা হোৎনবগী খোঙথাং বৃটিশ এম পিশিংনা ভোট অমখক্কী মেজোরিটিগা লোয়ননা শৌগৎখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেদা ব্রেক্সিটকী প্রোসেসকী মতম শাংদোক্নবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা ৱারী শান্নবগী অয়াবা পীখ্রে।

লেবর পার্টিগী লোমেকর য়িভিট কুপরনা পুথোরকখিবা বিল অদু হাউস ওফ কম্মন্সনা শুপ্নগী নোংমদা পাস তৌখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা বি বি সীগী পাউনা হায়রি।

তৌইগুম্বসুং বিল অদু লো ওন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা হাউস ওফ লোর্দসনা এপ্রুভ তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। অমরোমদা, ব্রেক্সিটগী মতম মখা তানা শাংদোকহনগদ্রা হায়বসি ঈ য়ুগী মায়েকৈদগী লেপ্পল্কদবা ৱারেপ অমসু ওইরি।

হাউস ওফ কম্মন্সতা ভোট লৌনখিবদু প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা ব্রেক্সিটকী মতাংদা জেরেমি কোরবিনগা উন্দুনা ৱারী শানখিবা মতুংদনি। লুচিংবা অনীগী মরক্তা ব্রেক্সিটকী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্নবগী মতাংদা ৱারী শানখিবদু পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইখি হায়না ফোঙদোক্নবসু কোরবিননা ৱারী অদু মপুং ফাদ্রি হায়খি। এপ্রিল ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ঈ য়ুগী ইমর্জেন্সি সম্মিট অমগী মাঙওইনা ব্রেক্সিটকী থৌরাং অমা হাউসতা ভোট লৌনদুনা য়ানবা পুরক্নবগী পান্দমদা শগোলশেল নুমিত্তা নোংমা চুপ্পা ৱারী শান্নদ্রিঙৈগো মাওইননা পার্টি অনীমক্কী টিমশিংনা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা মীফম পাঙথোকখিবনি।

করিগুম্বা মখোয়না য়ানবা পুরকপা ঙমদবগী ফিভম লাকপা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর মেনা ওপসন কয়া পুথোক্তুনা ভোট লৌনহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না পুথোক্নিংলিবা ওপসনশিংদুগী মনুংদা মহাক্না ঈ য়ুগা য়ানখিবা বৃটিশ এম পিশিংনা মমাঙদা রিজেক্ট তৌখ্রবা দিল অদুসু য়াওরি।

পার্লিয়ামেন্টনা ভোট ৩১৩-৩১২দা পাস তৌখ্রবা বৃটেননা দিল য়াওদনা ঈ য়ুদগী তোকপগী ফিভম থিংনবা কুপরগী মায়কৈদগী হোৎনখিবশিং টোরি ব্রেক্সিটিয়রশিংনা কন্না ওপোজ তৌখি। বিল অদুগী মহৌশাগা ইমান মান্নদবা প্রোসেস অদুদা টোরি ব্রেক্সিটিয়রশিং অদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখিবনি।

লো অমা শেম্নগী অহানবা ষ্টেজগী প্রোসেস অদু শুপ্নগী পুং খরখক্কী মনুংদা হাউস ওফ কম্মন্সতা লোইশিনখিবনি। টোরি ব্রেক্সিটি-য়রশিংনা হায়রিবদি অদুগুম্বা বিল অমা পাস তৌবা তারবদি থা খরা চঙনা কুপ্না হাউসনা খন্নফম থোকই হায়বসিনি।

পিটর বোন কৌবা টোরি লোমেকর অমনা স্পীকর জোন বরকাওদা অসিগুম্বা ফাগি মানবা থৌরাং লেপ্পবা অমসুং মখা তানা ভোট লৌনবা তোক্ন বা তকশিনখি হায়রি। অদুমওইনমক বিল অদু য়াম্না ঙন্না শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা হাউস ওফ লোর্দসতা মখা তাবা স্ক্রুটিনি চত্থরবা য়াই হায়রি। লৈঙাক্না হাউসতা করম্বা লোশিং লৈহনগদগে হায়বদু লেপফম থোকপনা মরম ওইদুনা বিল অদু মহৌশাগা মান্নদে হায়না টোরি ব্রেক্সিটিয়রশিংগী মায়কৈদগী থমখিবনি।

# রসিয়ানা শাবা মিসাইল সিষ্টেম লৈনবগী থৌরাংগা মরী লৈননা য়ু এসনা টর্কিদা ৱার্নিং তৌখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
টর্কিনা রসিয়ানা শাবা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৈনবা থৌরাংলিবদু মখা চত্থদনবা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্স মাইক পেন্সনা টর্কিদা চেকশিন ৱা হায়খ্রে। রসিয়ন মিসাইল সিষ্টেম লৈবগী দিল লোইনখ্রে হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা মতুং পুং খরা খক কান্নরগা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্টনা টর্কিদা থৌরাং অদুগী মায়োক্তা চেকশিন ৱা হায়খিবনি।

নাটোগী মিচঙশিংনা এলায়েন্স অসিদা অকিবা পোকহনগদবা খুৎশু-খুৎলায়শিং ঐখোয়গা য়েংথিনবশিংদগী লৈবা মতমদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়বা ৱাফম অসিসু ঐখোয়গী মায়কৈদগী নাখৈ শেংনা থমখ্রে হায়না ৱাশিংটনদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা 'নাটো ইনগেজেজ' কৌবা নাটো মিনিষ্টরশিংগী ওইবা সম্মিট অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পেন্সনা ফোঙদোকখি।

টর্কিনা রসিয়াদগী দোলর বিলিয়ন ২.৫ কী ওইগদবা এস-৪০০ এন্টি-এয়রক্রাফ মিসাইল সিষ্টেম লৈবনা নাটো অমসুং এলায়েন্স অসিগী মতিকময়াইদা খুদোংথিবা চাওনা মায়োক্নহল্লকপা য়াই। টর্কিনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসিগী মতুং তারকপা ফত্তবা মহয় মায়োক্নরকপা য়াই হায়বসি খঙগদবনি হায়না পেন্সনা চেকশিন্না হায়খি।

মখা তারদুনা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি মদুদি, টর্কিনা মালেমগী পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাক্লবা মিলিটরি এলায়েন্সকী মরু ওইনা পার্টনর অমা ওইনা মখা তানা লৈবা পান্ত্রা নৎত্রগা ঐখোয়গী এলায়েন্সতা অকায়বা পীগদবা মওংদা হন্ন তুনা য়েংদনা ৱারেপ কয়া লৌদুনা পার্টনরসিপ অসিগী সিক্যুরিটিদা শোকহনবা পান্ত্রা হায়বসিগী মরক্তগী অপাম্বা অমা খনগদবনি।

তৌইগুম্বসুং নাটো মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদুদা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্টনা টর্কিগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্ত্রিঙৈ পুং খরগী মমাঙদা টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগ্লুনা হায়খি মদুদি, অঙ্করানা রসিয়ন মিসাইল সিষ্টেম লৈবগী থৌরাং অসি লোইনখ্রবা দিল অমনি।

অসিগুম্বা লোইনখ্রবা এস-৪০০ দিল অসিদগী টর্কিনা খোঙথাংদোক্লরোই হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টর মখা তানা হায়খি মদুদি, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইশ্যু অসি লৈখায় তানবা মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না হান্ননা থাজবা পীখ্রবনি।

করিগুম্বা য়ু এসনা টর্কিদা এফ-৩৫ জেটশিং পীবগী থৌরাং থিংজিনবা তারবদি অদুগুম্বা থৌরাং অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়াম্না পামদবা চৈথেং অমা শোয়দনা পীগনি। মসিমক্তি টর্কিগী মায়কৈদগী পামদে হায়নসু কাভুসোগ্লুনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, করিগুম্বা টর্কিনা রসিয়না শাবা মিসাইল সিষ্টেম লৈবগী থৌরাং মপুং ফানা পায়খৎলকপা তারবদি এফ-৩৫ ষ্টিলঠ জেট পীবগী ৱাফম লৈরোই হায়না য়ু এস ওফিসলশিংনা টর্কিদা মতম শাংনা ৱার্নিং তৌদুনা লাকপনি।

# য়ুগান্দাদা খুৎলায় পায়বশিংনা য়ু এসকী টুরিষ্ট অমা ফারগা দোলর ৫০০,০০০গী রেন্সম দিমান্দ তৌখ্রে



কম্পালা, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
য়ুগান্দাদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খুৎলায় পায়বা মীওই মরিনা অমেরিকান টুরিষ্ট অমা কিদনেপ তৌদুনা মহাক্কী থাদোকমল ওইনা দোলর ৫০০,০০০কী শেনফম অমা দিমান্দ তৌরক্লে হায়না য়ুগান্দান টুরিজম বোর্দ অমসুং য়ুগান্দান পুলিস ফোর্সনা ফোঙদোকখ্রে।

অমেরিকান সিটিজন নুপী অমা অমসুং য়ুগান্দান ড্রাইভর অমা মখোয় অনী অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিদাংদা য়ুগান্দাদাগী খা নোংচুপ থংবদা লৈবা ক্বিন এলিজাবেথ নেসনল পার্কতা গেম ড্রাইভ অমা পাঙথোক্লিঙৈদা নোংমৈচিংদোলদা কিদনেপ তৌখিবনি হায়না য়ুগান্দান পুলিস অমসুং লৈবাক অসিগী টুরিজম বোর্দকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কিদনেপ্পরশিংদুনা ভিক্তিম অদুগী ফোন শীজিন্নদুনা দোলর ৫০০,০০০গী শেনফম অমা দিমান্দ তৌখ্রে। টুরিষ্ট অমা ফারিবসিগী মরম রেন্সম অসি ওইবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুবু তান্ননবগীদমক্তা টুরিজম পুলিসনা এলিট স্কৱাদ অমা থাখ্রে লোয়ননা য়ুগান্দা অমসুং দেম্মক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দরগী এগজিট এরিয়া খুদিংমক থিংজিনখ্রে হায়রি।

খুৎলায় পায়বশিং অদুগা লোয়ননা মখোয়গী ভিক্তিমশিং অদু হৌজিকসু ঐখোয়না থিবদা য়ৌশিনগদবা মফমশিংগী মনুংদা মখা তানা লৈরমখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পুলিস ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। থাঙ্গৈশেংবদি অমেরিকান সিটিজন অদু মীওই মরীগা লোয়ননা ফাখিবনি। তৌইগুম্বসুং মশক মমিং খঙদবা মীওই মরি অদুনা থাদোরক্লগা অমেরিকান নুপী অদুগা ড্রাইভর অদুগনা পার্ক অদুদগী পুখিবনি হায়না য়ুগান্দান মিদিয়া সেন্টরগী মকোক ওফৱোন্দো ওপোন্দানা ফোঙদোকখি। হৌজিক তৌগদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক্তি মখোয়গী মফম খঙদোকপা, মখোয়বু কনবা অমসুং অশোয়-অঙাম য়াওদনা পুরকপা অসিনি হায়না ওপোন্দোনা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহীদা য়ুগন্দাদা কিদনেপিংগী থৌদোক কয়া থোকখি। থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইদুনা লম্বীদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট ফাওবা তৌনখি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিক্যুরিটিগী ইশ্যুশিং য়েংশিনবগী থবক মতিক চানা পায়খৎতে হায়না প্রোটেষ্টরশিং অদুনা ক্লেম তৌখিবনি। কম্পালা সিটিদা লৈবা লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্ট তান্না চৎখিবা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ অমা লুচিংখিবা রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহীদা অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা মীওই ২০ হেন্না রেন্সমগীমক্তা কিদনেপ তৌখি।

# ফোক্স ন্যুজ কন্ট্রিব্যুটর মোর্গান ওর্টাগস স্পোক্সপর্সন হাপখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
হান্নগী ফোক্স ন্যুজ কন্ট্রিব্যুটর মোর্গান ওর্টাগসনা ষ্টেট দিপাটমেন্টকী অনৌবা স্পোক্সপর্সন ওইরগনি হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা লাউথোকখ্রে।



নৌনা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন ওইনা খল্লবা ওর্টাগসনা কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বরদা নিক্কি হেলিগী মহুৎ শীন্নবা য়ু এন এম্বেসেদর ওইনবা নোমিনেট তৌখিবা হান্নগী ফোক্স ন্যুজগী এঙ্কর হিদর নোৱর্টকী মহুৎ শীল্লগনি। হান্নগী ফোক্স ন্যুজ কন্ট্রিব্যুটর মোর্গান ওর্টাগসপু ঐখোয়গী অনৌবা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপার্সন ওইনা ওকচবা ফংবা অসিদা ঐঙোন্দা নুংঙাইবা পোকই হায়না সী এন এননা পোম্পিওগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী অনৌবা স্পোক্সপর্সন ওইগদৌরিবা মোর্গানগী ক্রিদেন্সিএলশিং অমসুং পব্লিক সার্ভিসগী রিকোর্দশিং শীংথানিঙাই ওই। মহাক্কী করিয়র অপুঙ্বদা ফাইনান্সিএল সার্ভিসেস, কন্সল্টেসন অমসুং দিপ্লোমেসিগী লমশিংদা শীংথানিঙাই ওইনা থবক তৌখ্রে হায়না পোম্পিওনা মখা তাখি। নেভি রিজার্ভ ওফিসর অমা ওইরিবা ওর্টাগস ফম অদুগীদমক্তা মতিক চাবা মীশক্নি হায়না হান্নদগী খন্নদুনা লাকখি। মহাক ফোরেন পোলিসি এক্সপিরিয়েন্সসু চাওনা লৈ হায়রি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না কুমজা ২০১৬ দা মতমদুগী প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট দোনাল্ড ট্রম্পপু অমেরিকাবু মালেমদগী নাইতোম তাহনগদবা ফোরেন পোলিসিদা থৱায় য়াওবা উৎপগীদমক চৈথাংখি অমসুং ট্রম্পনা হকচাং অমসুং ৱাখলদা মীমান্নদ্রবা মীওইশিং করেম্নখিববসু মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙদা ফম অসি পায়নবা পীখিবা খুদোংচাবা কয়া য়াখিদ্রবসু ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাওথোকখিবা ৱাফম অসিগা লোয়ননা ওর্টাগসনা ট্রম্প এদমিনিষ্টেসনদা শরুক য়ানবা শেম শারে হায়না লৌনরি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা ওর্টাগস কুমজা ২০০৭দা হান্নগী প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুসকী মখাদা য়ু এস এজেন্সি ফোর ইন্টরনেসনল দিভলমেন্টকী স্পোক্সপর্সন অমা ওইনা পব্লিক সার্ভিসতা চঙখি। লোয়ননা মহাক ইরাক্কী কেপিটেল বঘদাদতা পব্লিক দিপ্লোমেসিদা থা কয়ামরুম থবক তৌদুনা লৈখ্রবনি। মদুগী মতুংদা ওর্টাগসপু হান্নগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন লৈরিঙৈ মনুংদা ট্রেজরি দিপার্টমেন্টকী ইন্টেলিজেন্স এনালিষ্ট অমা ওইনা থবক পায়হনখি। মহাক কুমজা ২০১০দা সাউদি অরবিয়াগী রিয়াদতসু য়ু এস ট্রেজরিগী দেপ্যুটি এটেসে ওইনা লৈহনখি।

# বোইংদা ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম রিভিয়ু তৌনবা তকশিনখ্রে



অদ্দিস অবাবা, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
ইথিওপিয়ন ওথোরিটিশিংনা বোইংগী ৭৩৭ এম এ এক্স ৮ এয়রক্রাফকী ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম রিভিয়ু তৌনবা য়ু এসকী প্লেন মেকর অসিদা শগোলশেল নুমিত্তা তকশিনখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ১০ দা থোকখিবা মীওই ১৫৭ কী পুন্সি লোমহনখিবা শাথিরবা ক্রাস অদু প্লেন অদুগী ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈবদগী থোকখিবনি হায়রদুনা ইথিওপিয়ন ওথোরিটিশিংনা প্লেন অদুগী ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম রিভিয়ু তৌনবা তকশিনখিবনি।

ইথিওপিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ট্রান্সপোর্ট দাগমাৱিট মোজেজনা ক্রাস অদুগী মতাংদা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী প্রিলিমিনরি রিপোর্টকী সম্মরি অমা অমসুং রিক্কমেন্দেসনশিং পীখ্রে। মদুদা মিনিষ্টরনা এয়রক্রাফ অদুগী ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম খক্তনা প্লেন অদুবু অদ্দিস অবাবাদগী লাপ্পা পাইবা ঙমহনখিদবনি অমসুং রনৱেদগী পাইখিবা মতুং শুপ্নগী মিনিট ৬ লৈরগা কাইখিবনি হায়না পনখি।

প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসন অসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন কমান্দ য়াওদনা এয়রক্রাফ নোজদাওন তৌবগী ফিভমশিং লৈখিবগী মওং উৎপনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট কন্ট্রোল তৌবগা মরী লৈনবা এয়রক্রাফ ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম মেন্যুফেকচররনা রিভিয়ু তৌনবা রিকমেন্দ তৌরি হায়না মহাক্না অদ্দিস অবাবাদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ক্রাস অদু থোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা পাইলোটশিংনা বোইংনা রিকমেন্দ তৌখিবা প্রসিজরশিং হঞ্জিন হঞ্জিন পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ফনা কন্না হোৎনদুনসু এয়রক্রাফ অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদবনি।

# ভেনিজ্যুএলাদা এইদ পেকেজ পীনবা ট্রম্পনা শেম শাখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
করিগুম্বা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী লৈঙাক তুখিবগী ফিভম লাকপা তারবদি সাউথ অমেরিকান লৈবাক অদুদা অমেরিকান দোলরশিং হকথেংননা মরাং কায়না চঙহন্নবগীদমক য়ু এস দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা লৈবাক অদুদা ইকনোমিক রিলিফ পেকেজ অমা পীননবা থৌরাং তৌরি।



প্রসিদেন্ট মাদুরোবু মফম থাদোক্নবা অমসুং য়ু এসনা ভেনিজ্যুএলাগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখ্রবা ওপোজিসন লুচিংবা জুৱান গুৱাইদোবু ওফিস পায়বা য়াহন্নবা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা হ্বাইট হাউসকী নেসনল কাওন্সিলগী দিরেক্টর লেরি কূদলোনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থৌরাং অদুগী আউট-লাইনশিং মরী লৈনবশিংদা লাওথোক্তুনা খঙহনখি হায়না ন্যুয়োক টাইমনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা গুৱাটেমালা, হোন্দুরাস অমসুং এল সালভাদর য়াওনা লৈবাক কয়াদা পীরম্বা তেংবাংশিং কক্থৎনবা খোঙথাং লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা ভেনিজ্যুএলাগীদমক মপুং ফারবা এইদ পেকেজ অমগী থৌরাং পায়খৎলকখিবনি। ফন্দরেল হরিকেন রিলিফ ফন্দশিং শীজিন্নবগী মতাংদা য়ানিংদবা লৈবদগী ট্রম্পনা য়ু এসকী লম মনুং চল্লিবা পুইর্টো রিকোদা পীরম্বা ফন্দশিং কক্লগনি হায়নসু কিহনখ্রবনি।

ভেনিজ্যুএলাগী শেল থুমগী ফিভম নৌনা ফগৎহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিবু খোঙজেল থুনা চাওখৎহন্নবগী থৌরাং কয়া ঐখোয়দা লৈরে। মসি রেস্ক্যু অমসুং রিষ্ট্রকচরিং প্লান অমনি হায়না কূদলোনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ভেনিজ্যুএলা অসি চহী কয়ামুক ইনফ্লেসনগী চাং কা হেন্না ৱাংবা অমসুং ইনকনোমি ফেল ওইরকপগী ফিভম অমা মায়োক্ন রখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মীওই মিলিয়ন কয়া কলম্বিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদা চেন্নখ্রবনি।

ওপোজিসন পোলিটিকেল লিদর কয়ানা মাদুরোবু মখা তানা লৈবাক অদুগী লোনা য়াবা লুচিংবা ওইনা শকখঙ্ঙু হায়বা য়াদবদগী লৈবাক অসি হৌখিবা জন্যুৱারিদগী কাং খোং চাইবগী ফিভম অমদা লৈরকখিবনি। হৌখিবা জন্যুৱারি ৩০ দা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী পথাপ খরগী মখাদা মশানা ইন্টরিম প্রসিদেন্টনি হায়না লাওথোকচখিবা ওপোজিসন গুইৱাইদাবু য়ু এসকী মায়কৈদ্গী মপুং ফানা শৌগত্তুনা লাকখিবনি। ভেনিজ্যুএলাগী ফিভম শোক্লবা ইকনমি ষ্টেবল ওইহন্নবগী থৌরাং অমগা মরী লৈননা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা সাউথ অমেরিকাদা লৈবা রিজনেল বেঙ্কশিং অমসুং ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দগা তাথোক তাশিন তৌনরি হায়না কূদলোনা মখা তাখি।

# ন্যু জিলেন্দগী ক্রাইষ্টচর্চকী এটেক্কর চার্জ ৮৯ মায়োক্নরগনি



ৱেলিংটন, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
ন্যু জিলেন্দগী মোস্ক অনীদা হৌখিবা মার্চ ১৫ দা লাই খুরুমদুনা লৈরিবা মুস্লিম ৫০ হাৎখিবগী মরাল শীখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়ন নুপা অদু মী হাৎপগী চার্জ ৫০ অমসুং মী হাৎনবা হোৎনখিবগী চার্জ ৩৯ মায়োক্নরগনি হায়না ন্যু জিলেন্দ পুলিসনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ক্রাইষ্টচর্চ টেরর এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা ফারবা নুপা অদু এপ্রিল ৫ দা ক্রাইষ্টচর্চকী হায় কোর্টতা পুথোকপা মতমদা মী হাৎপগী চার্জ ৫০ অমসুং মী হাৎনবা হোৎনখিবগী চার্জ ৩৯ মায়োক্নরগনি হায়বসি হৌজিক পুলিসনা কনফার্ম তৌবা ঙল্লে হায়না নু জিলেন্দ পুলিসনা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু জিলেন্দ হেরাল্ডগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মশাগী চহী ২৮ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা ব্রেন্টন হেরিসন টেরান্ট কৌবা মীওই অদুগী মায়োক্তা মরাল কয়া শীরিবদু মহাকপু ইরাই নুমিত্তা ক্রাইষ্টচর্চতা লৈবা হায় কোর্টতা অনীরক শুবা ওইনা পুথোক্ত্রিঙৈগী মাওইননি। ক্রাইষ্টচর্চকী অল নুর মোস্ক অমসুং লিনৱুদ ইস্লামিক সেন্টরদা লাই খুরুম্লিবা মীওই কয়া মহাক্না তোরা তুনা হাৎখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা মহাকপু অহানবা ওইনা কোর্টতা পুথোকখিবনি।

# ইন্দোনেসিয়াগী কোমোদো ইথৎতা টুরিষ্টশিং চঙবা থিংখ্রে

জকার্টা, এপ্রিল ০৪(এজেন্সি):
অরিবা মতমগী শা অমনি হায়না থাজনবা কোমোদো দ্রেগোনগী লৈফম ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী কোমোদো ইথৎ শা অসিবু কন্নবা অমসুং য়োকখৎপগী থবকশিংগা মরী লৈননা কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারিদগী মতম কক্তুনা টুরিষ্টশিং চঙবা থিংলগনি হায়রি।



মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা শা অদু চেন্নবা স্মগলিংগী কেস অমা লাকখিবা মতুংদা ইন্দোনেসিয়ানা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি। কোমোদো দ্রেগোন হায়না খঙনবা চুম অদুবু য়েংনবগীদমক্তা মীয়াম্না ইথৎ অদুদা চৎনবগা লোয়ননা ইন্দোনেসিয়াগী মঙ্গারাই বারাটতা লৈবা ইথৎ অদু মরু ওইবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমা ওইদুনা লাকখিবনি। চুম অদু হু চেল্লি, মিটর অহুম ফাওবা শাংনা চাওই অমসুং কে জি ৫০ ফাওবা লুম্মী হায়রি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মফম অদুদা হান্নদগী হৌরকপা পাম্বীশিং মরাং কায়না থানবা অমসুং দ্রেগোন অদুগী মচিঞ্জাকশিং পৈশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা ইথৎ অদু মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লগনি। ইথৎ অদু করম্বা মতমদা অমুক হন্না টুরিষ্টশিং চঙবা য়ানবা হাংগদগে হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমদ্রিবা ওইরবসু মমাঙদা থাজবা য়াবা সোর্স খরনা অথিংবা অদু চহী ১ চুপ্পা লৈবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি।

হৌখিবা মার্চ থাদা পুলিসনা ইষ্ট জভাদা মীওই ৫ কোমোদো দ্রেগোনশিং অমসুং অতৈ ওথোরিটিশিংনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা শা কয়া স্মগল তৌরম্বগী মরালদা ফাখিবা মতুংদা ইথৎ অদু থিংজিনবগী ৱাফম অসি লাওথোরকখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না সস্পেক্টশিং অদুনা কোমোদো দ্রেগোনশিং অদু ফেস বুক্কী খুৎথাংদা য়োনখি। মখোয়না হৌজিক ফাওবদা কোমোদো দ্রেগোন ৪১ হেন্না য়োনখ্রে। চুমশিং অদু অমমমদা দোলর ৩৪,৯০০ দা য়োনখি। কোমোদো ইথৎ অসি কোমোদো নেসনল পার্ককী শরুক অমনি।